# ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা মণিপুর কমদৌবা?

ৱাখল ইহুল

**সোরাম ইবোহল লূৱাং**

*ইন্দিয়ন* কন্সটিট্যুসনগী প্রিয়স্বলদা ইন্দিয়াসি সেক্যুলর, দেমোক্রেটিক ষ্টেটনি/কন্ত্রিনিদি ময়েক শেংনা হায়রি। য়াওবনিনা তশেংনা হায়বা তারবদি য়াওরিবসিগী মতুং ইন্না চানবা ৱাহন্থোক লৈনা তৌগদবসি তৌদবনিনা নন সেক্যুলর, নন দেমোক্রেটিকনি হায়নীংলকপা মতাং কয়াগী মরমদা রেদিওদা, টি ভিদা অমদি পাউচেশিংদা খন্ন-নৈনখিবশিং ফোঙনবা লৈখ্রে। মসিগী মরুওইবা মরমদি ইন্দিয়াগী অইবা কন্সটিট্যুসনগী মখাদা য়াওরিবা প্রোভিজন খরা/ক্লোজ খরা মতম মতমগী পানখিবা/পাল্লিবা লৈঙাক্লোইশিংনা মখোয়গী লৈঙাক্কী খুদোংচাবা লৌনবা/ফংনবগীদমক শেমদোক শেমজিন তৌবা/হাপচিনবা/লৌথোকপা/নৌনা শেমদোকপনচিংবা তৌবসি কুমজা ১৯৫০দগী চৎনবা হৌখিবদগী চৎলিবা চহী ২০১৯গী জন্যুৱারী লোইবা ফাওবদা মশীং ১০৩লক শেমদোক শেমজিন (এমেন্দমেন্ট) তৌখ্রে। মসিনসু অরোইবা হায়বদু ওইখিরোই। মতম মতমগী মতুং ইন্না অদুম চত্থরকখিনি। অনৌবা বিল কয়া লোক সভা (লৱার হাওস) অমসুং রাজ্য সভা (অপ্পর হাওস) তা পুথোক্তুনা খন্নরগা (ময়াম্না পাম্নবা অফবা ওইরগনা) মত অমত্তা ওইনা পাস তৌনরগা এক্ট ওনবদি অফবা মায়কৈদনি। হাওস অনীমক্তা য়েৎনরগা পাস তৌদবা য়াদবগী মওংদা নম্ফু-হাফুদা পাস তৌনবা হোৎনদবসু নত্তে। মসিবুনা মীয়াম্না পাম্নবা কয়া ওইদবনা অফবা মায়কৈদা নত্তে। লৈবাক ঈরাং চাউনা থোরক্লবা ফাওবদা, পূম্নমকপু নাথৈরগা নম্ফু হাফুদা পাস তৌনবা হোৎনখিবা কয়ানি। হৌজিক্কী ওইনদি লোক সভাদা চৎলিবা চহীসিগী জন্যুৱারী ৮দা পাস তৌখ্রবা মতুং রাজ্য সভাদসু পাস তৌনবা হোৎনরকপদা মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা মখল মখা কয়াগী লৈবাক ঈরাং লৈরিবসিনি। মচি-মচিদা মৈ থানরিবসিনা মৈরিকপী ওইরগা ফীভমনা য়ারক্তবা মতমদা নোর্থ ইষ্ট পূম্বদা মৈজাওবী হায়বদু হন্দক্কী মতাংসিদা ওইরকপা তম্বা ঙমদবা ফীভম অমনি। হন্দক্কী সী এ বি, ২০১৬কী মতাংসি ইন্দিয়াগী ময়োল লৈঙাক্কী মেনিফেষ্টোদা য়াওখিবনা তৌদবা য়াদবা, মখোয়গী চহী ৫গী লৈঙাক লোইশিল্লক্কদৌরবনিনা, করিগুম্বা মীতোপ লাক্ষ ৩০ রোমসিদগী ভোট ফংলগা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী অপূনবা এম পি মশীং ২৫ ফংবা য়ানবগী ৱাখলদা নোর্থ ইষ্টকী মীয়াম্না পাম্নদ্রবা মথক্কী হায়রিবা বিলসি ফেব্রুৱারী ১২দা নম্ফুদা রাজ্য সভাদা পাস তৌনবা হোৎনরিবনি। করিগুম্বা পাস তৌখিবদা নোর্থ ইষ্ট অপূম্বসি ইন্দিয়াদগী তোখায়না তাখিবা য়াবগী ঈহৌ ফাওবা লাকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈবা ফীভমসিদনি ময়োল লৈঙাক্কীদা বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক এন দি এগী মায়োক্তা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী লৈঙাকশিং অমসুং মসিগী সী এস ওশিংনা লুচিংবা মীয়ামগা খূৎশম্নরগা চঙশিল্লিবা খোঙজংশিং।

ইন্দিয়া মালেমগী চাওখৎ লমজেলদা খোঙজেল য়াঙনা চঙশিল্লি হায়বসি অদুম হায়নৈ। মসি অফবনি। অদুবু ইন্দিয়া সেক্যুলর ষ্টেটনি/কন্ত্রিনিদি হায়রগা অকক্লবা লাইনীং-লাইশোন অমবু শৌগৎপা মানবা মওংদা অদুগুম্বা লাইনীং-লাইশোন চৎপশিংবু ফোংনা শৌগৎপা অসি তৎতনা তৌরিবমক্তনি। মসিগী ময়েক লারবা খুদম খরা পীজগে। অহানবমক্তদা, সী এ বিনা মপূং ওইনা টার্গেট তৌরিবদি হিন্দুগী মায়কৈরোমদা নকশিন্নীংবা ৱাখল্লোন লৈরম্বা য়াবা হিন্দু, খৃষ্টান, জৈন, বুধিষ্ট, পর্সি, সিখ, আফঘানিষ্টান, পাকিষ্টান, বাংলাদেশতগী ইন্দিয়াদা চঙনীংবশিং মীনুংশি য়েংলগা বেজ য়র হোংল-হোংলগা হান্না চহী ১১ ইন্দিয়াদা লৈরগা ইন্দিয়াগী সিটিজনশিপ ফংনবা তানরম্বদু চহী ৬তা হন্থরকপা মতমদদি মশীং য়াম্লবা মীতোপ ময়াম লৈফমসু নুংঙাইবা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা চঙশিল্লক্তুনা লৈশিল্লবা য়াবগী ফীভম উরকপদগী লমদম অসোমগী মীয়ামশিংনা য়াম্না কন্না য়ানীংদবগী মরম লৈরিবনি/ওইরিবনি। ইন্দিয়াগী মফম খুদিংমক্তা মুসলিমশিং লৈ। ইন্দিয়াদা লৈনীংবা মুসলিমশিংগী ৱাফম য়াওদে। মণিপুরগী য়েলহৌমী ওইবা মীতৈ/মৈতৈ- মসিগী হায়নবা মীতৈ/মৈতৈ বামোনশিং ম্যান্মার, বাংলাদেশতা খুন্দারগা লৈরি। মখোয়শিংসু মখোয়না হৌজিক হৌজিক লৈরিবা মরৈবাকশিংদুদা লাইনীং-লাইশোনগী ওইনসু মাইনোরিটিশিং ওইরি। অদুবু মখোয়শিংদু চঙলকপা/হল্লকপা য়াবগী ৱাফম য়াওদে। অদুনা নন-সেক্যুলর ওই হায়নরিবসি চুমই। অনীশুবদা, হিন্দু লাইনীং চৎপশিংনা লৈঙাকপা ওইরবদি হায়বদি হিন্দুগী লৈপাক ওইহন্নীংবশিংনা লৈঙাক্লোই ওইরবদি, মীওই কাঙলূপ খরগী চিঞ্জাক্তা খূৎ থিংজিনবা য়াওদবা নত্তে। লাইনীং-লাইশোনগী মীৎয়েংদগীদি অখন্নবা মীওই কাঙলূপ অমগী য়েমৌনবা চিঞ্জাক্তু অতোপ্পা মীওই কাঙলূপ খরগীদি য়াম্না পাম্না চানবা চিঞ্জাক ওইবনা, মসিদা হেক্তমক খূৎ থিংজিন্দুনা অথিংবা থম্বা হায়বসি খরদি চুমফাৎতব্রা হায়না থমজগে। মরমদি, লিবর্টি টু ফুদ’ হায়বসি তোঙান তোঙানবা লাইনীং-লাইশোন অমগী মীওই কাঙলূপশিংগী শোয়দনা লৈফম থোকই। মসি হায় হায়দুনসু লন্নাই মশাগী ওইনা চানবা কাঙলূপকী চিঞ্জাক্তু চাদবা য়াওরি। খুদম, হিন্দুশিংগী মরক্তা শা চাদে হায়রগা হামেংবুদি মনা-মশিং চাই হায়দুনা চানবা য়াওরি। ষণশা চাবশিংগী মরক্তসু/ঙা চাবশিংগী মরক্তসু ষণশা/ঙা মখল শুনা চাদবা য়াওনরি। অদুনা, ভেজ/নন ভেজ হায়দুনা হোটেলশিংদা ইদুনা থেৎনরি। মণিপুরগী মতাংদদি য়েনশা/ওকশা/ষণশা... নচিংবা কয়া অমা চানৈ। মসিদা মীতৈ/মৈতৈ হিন্দু লাইনীং চৎপা কয়া অমা য়াওরিবনি। মমাঙঙৈ মৈতিংঙু পামহৈবা (কুমজা ১৭০৯-১৭৪৮) না ময়াং হিন্দু লাইনীং কুমজা ১৭১৭তা লৌবদগী য়াম্না কন্না লমদমসিদা হিন্দু লাইনীংগী মমি তাবা হৌরকখি। মণিপুর হায়রিবা মমিংসিমক ইরমদমগী কৌনবা মমিং নত্তে। খাংঙুথক্তা ওনখিবনি। মসিগী মতুং তারকপদা ইরমগী লাইনীং ঙক খরা খরা লীংখৎপা হৌরকপদগী হৌজিক্তদি মীশিং ফনা য়াম্না হিংগৎহন্নীংবা মীওই মশীং য়াম্লক্লবনি। হিন্দুগী ৱাখল চেনবা লৈঙাকখিবা খরনা লাইশঙ শাবদা শেল থাদদুনা হিন্দুগী লাইশঙ মপূং ফানা ওন্থোক্লবা হোৎনবা কয়া লৈখ্রবনি। চৎনীংবা লাইনীং-লাইশোন তৌবা য়াই হায়রফাওবদা মতম মতমগী লৈঙাক পায়খিবশিংনা হিন্দু লাইনীংবু য়োকখৎনবা থৌরাং কয়া পায়খৎলল্লিবনি। জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিদসু হিন্দু লাইনীং চাওখৎহন্নবা/য়োকখৎহন্নবা মখল মখাগী প্রোজেক্ট/স্কিম/সেমিনার/ৱার্কশোপ কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলিবনি। অদুগা ইন্দিয়ানা/ইন্দিয়া লৈঙাক্লা/ষ্টেট লৈঙাক্লা সেক্যুলর ওই হায়না নমথাক তৌদুনা পঙহায় হায়রি। মসিগী অরোনবা এজেন্দাদি লমদমসিসু হিন্দুগী লম ওন্থোক্লবা হোৎনবনি। মসি খঙবদগী ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ময়াং হিন্দু লাইনীং চৎপশিং/হিন্দু ওন্নীংবশিং লমদমসিদা/নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা থাজিনবা য়ানবা হোৎনরকপা অফোংবা-অরোনবা ময়োল লৈঙাক্কী থৌরাংনি। হিন্দু ওইদবা/পামদবা লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংনা কন্না থিংনবা হোৎনবদা হিন্দু লাইনীং পামজবা (খাঙুথক্তা চাউরাক্লা চহী ২০০গী মতমদগী হিন্দু লাইনীং চৎতুনা লাকখিবদগী ইনাৎ লাইনীংদা ওনশিনবা ইকায়বদগী লৈবা মরক্কী লাংওন লংদাই) য়েলহৌমীশিংসু লাইনীং খরা মান্নরুই হায়বনদি য়াবা নত্তবনিনা মীতোপ চঙশিল্লকপদি পূন্না থিংবা তারকপনা লমদমসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক্লা চীং-তম খায়দনা সী এ বি, ২০১৬সি ফেব্রুৱারী ১২, ২০১৯ ফাওবদা রাজ্য সভাদা পাস তৌখিদনবা অমত্তা ওইনা কন্না অঙম্বী থাক্তা থিংনবা খোঙজং চঙশিনহৌবগী তঙাইফদবা তাঞ্জাদুনি হৌজিক নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী মনুংদা তাদুনা লৈরিবা য়াম্না লুবা ৱাফম হায়ববু। শম্না, লৈফমগীদমক, হিংনবগীদমক, ইচা-ইশু-শুরোলশিংগীদমক খল্লগা শিবা চঙবগী লানফম ওইরকপা য়ারিবনি। অদুনা চৎলিবা কুমজাসিগী ফেব্রুৱারী ১৩, ইন্টরিম বজেটকী অরোইবা পার্লিয়ামেন্ট মীফম সিফাওবদি মীৎকুপ নাহুম শিংনা শেন্নদবা য়াদ্রিবা পুংফমনি। মসিগী মতুংদগীদি ময়োল লৈঙাক করম্বা পার্টিনা মীখল মীরেপ্পা মশীং হেন্না কাদুনা লৈঙাকপা ওইরক্কদগে হায়বগী অচৌবা অওনবা অমা ওইরক্কদৌরিবনি। কুমজা ২০০১দা থোকখিবা মীশি মীনা য়াওবা থৌদোক, কুমজা ২০১৯গী অঙনবা শরুকসিদা হৌজিক হৌজিক থেংনরিবা মণিপুরগী খুন্নাইগী নেনা তাদবা ফীভমশিং করম্বা পোলিটিকেল পার্টিনা থোকহনবনো হায়বসি মণিপুরদা লৈরিবা হুই-হৌদোং ফাওবা খঙলম্লগনি খল্লি।

সী এ বি, ২০১৬ হাওস অনীমক্তা পাস তৌরগা এক্ট ওন্নবা হোৎনরকপদগী নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিং করম্না ইন্দিয়াদা তিনখিবনো হায়বগী ৱাফম পো কাংবা হৌরকপনি। প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা সরদার বলভায় পটেলবু অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎতুনা মালেমদা খ্বাইদগী হেন্না ৱাংবা মীতম অমা লুপা ক্রোর লিশীং কয়া চঙনা শাদুনা মায়খুম হাংদোক্লগা মীয়ামদা খূৎশিন্নখ্রবনি। অমুকসু ইন্দিয়ন য়ুনিয়নগী আর্কিটেকনি হায়না অৱাংবা থাক্তা পুখৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎপা য়াম্নমক তৌফম থোকই। য়োৎকী মীনি হায়না খঙনখিবা মহাক্কী মপান্দগী ঙসিগী ইন্দিয়া মঙাল লৈনা মালেমগী লৈপাক কয়াগী মমাঙদা চাউথোকচরিবনি। ফৎতে হায়বা য়ারোই। অদুম্নদি ওইরবদা, মরক মরক্তা ময়োল লৈঙাক্লা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিং মীরাইবগুম তৌবগী ৱাফম হেক হেক লৈরকপদা পুন্নিংদবগী ৱাখল্লোনসু অদুম ফাওরকপগুম উই। মসিগী মরম য়ামই। খরদং ওইনা পঞ্জরবদা - শকওং-শাদা, শক-চুদা, লোন-লিদা, চাকচা-য়ুথক্তা, আর্ট এন্দ কলচরদা পুংখেন খেনবমক্তনি। মসিগী মথক্তা য়াম্না তোয়না মেন লেন্দ ইন্দিয়নশিংনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদগী ইন্দিয়াগী মেন লেন্দশিংদা চৎপদা, মফম অদুদা মহৈ-মশীন তম্বা চৎপদা, সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী থবক তৌবা ওফিসর ওইবা ফাওবা, লন্নাই কম্পেনিশিং/ফার্মশিংদা থবক তৌবশিংদা কাঙলূপ নায়বগী ৱাখলদা (রেসিয়েল দিসক্রিমিনেসন) থওই-উশিৎতবা/মীওৎ-মীনৈ চত্থখিবগী পাউ কয়া লৈখ্রে। নুপী অঙাংশিংদা ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীবগী খুদম/পাউ কয়া লৈখ্রে। মসিনা তাক্লিবদি মেন লেন্দ ইন্দিয়ন পিপলশিংগা নোর্থ ইষ্ট রিজনগী পিপলশিংগা খেন্নবা য়াম্না লৈ। নোর্থ ইষ্টতা চীং-মানসু য়াম্না লৈ। অয়াম্বনা হিল ত্রাইবশিংনি। অসিনা মরম ওইরগা মণিপুরদা য়েলহৌমীশিং ওইনা লৈরক্লবশিং ত্রাইব ওইনা লৈফম থোকই। অসিগুম্বা মরম খরসিদগী নোর্থ ইষ্ট রিজনগী মীশিংবু মেন লেন্দ ইন্দিয়নশিংনা করিগুম্বা মতমদা য়াম্না করেম কথাইনবা মওংদা ‘জঙ্গলি’ হায়না ফাওবা হায়রকপা য়াওখিবগী ৱাফম লৈখিদবা নত্তে। হৌজিকখক্তদা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া চাওখৎতনদি ইন্দিয়া চাওখৎপা য়ারোই হায়দনা থেম্বোই-লাকপোই তৌরকপা মসিসু ফৎতে হায়বদি য়ারোই। হীরম খুদিংদা শোত্থবা লৈবনা চাওখৎ লমজেলদা নোর্থ ইষ্ট রিজনগী মীওই অয়াম্বা মেন লেন্দ ইন্দিয়নশিংগা লম্বা তৌনবা ঙমদ্রি। মণিপুরদনা মহৌশা লাইরেম্বীনা পীথোকপীরকপা আর্ট এন্দ কলচর, শান্ন-খোৎনবা হীরম খরা নত্তনা অতৈদদি শোত্থে হায়বসি ঐখোয় লমদমসিগী মীওইশিংনা খঙজে। মসিনা নাকল অমরোমদা থমখ্রগা, হান্না য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী চীংনা কোয়না পনশাবা চীং লৈবাক অমা ওইজরবসু ইশাগী ইরোমদোম্না অঙম্বা মওংদা মীশিং য়ামদ্রবসু হিংবা ঙমজরকপনা ইন্দিয়ানা মণিপুরবু নম্ফুদা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তিলহনখিবনি হায়বসিদি ককপা য়াররোইদবা অশেংবা ফীভমনি।।⏮

# ‘মণিপুর’ - লুপথরক্লিবা হি অমগুম্লবরা ?

**সঞ্জেনবম য়ুগেশ্বর**

*ঐখোয়না* অয়ূক ফমুংদগী হেক হৌগৎলকপদগী নুমিদাং অমুক তূম্বা চংবা ফাওবদা শীজিন্নরিবা পোৎলম অমসুং পোৎশকশিং অসিদা ঐখোয়গী ইরমদমগী পোত্থোক করি য়াওরিবগে ? কনাসু খল্লুদে অমসুং হংলুদে। ইচম চম্না হিংনবগীদমক নোংমদা মী অমনা মতমসিগী পোৎকী মমল য়েংলগা লুপা কয়া দরকার ওইবগে হায়বসি কনাসু খল্লুদে, খল্লুরবসু মদু ফংনবা হোৎনবগী মমিসু তাদে। মসি শূফম নোমফম লৈতবগী ওইবসু য়াই নত্রগা শূনীংদবগী ওইবসু য়াই। মতাং অসিদা ঐনা অসুম্না খল্লকখি মদুদি ঐখোয়গী লমদম অসি মমাঙঙৈদগী হৌনা থবক শূবগী অমদি শূনীংবগী হৈনবী লৈরক্তবজাৎলা হায়না। মসি ঐনা ঐখোয়গী অহলশিংনা লীবিবা লুখ্রাবী মচা কতন চন্দ্রকংনানগী ফুঙ্গা ৱারী তারুবদগীনি। ৱারী অসিনা হায়রিবসি লায়রবী লুখ্রাবী অদুনা পেরুক, কেংঙোই হেক্তুনা মচা থাক্লবা হোৎনরবসু মচা অদুনদি থবক শূনীংদবা, অহাওবদা চানিংবা অমসুং মশা নান্দুনতা লৈনিংবদুনি। অদুবু মহাক্লা থোকউদা থোকপা য়াবা সনা খুদোপ য়াইওইবা অমা ফংলুবদগী নিংথৌগী মচানুপী রাজকুমারি ফাওবা লুহোংখিবগী ৱারী অদুনি।


ৱারী অসিদগী ঐনা মখা তানা অমুক খল্লকই মদুদি ঐখোয়গী ফুরুপ অসি য়েলহৌঙৈদগী হৌনা থবক শূদনা, ৱাদনা শেল ফংনিংবগী অমসুং নুংঙাইনিংবগী হৈনবী লৈরকপরা হায়বসিনি। ঐখোয়গী ইমুং অয়াম্বনা চেঙফুদি মিরাং থুরগা লম্বী লমজাওদদি সেকেন্দ হেন্দগী ফি-রোল শেৎ চাদুনা, সেকেন্দ হেন্দগী কার তোংলগা সাহেব শাদুনা চৎতুনা লৈরি। ঐখোয়গী ইরমদমগী চেঙ শুপর ফাইননা মহুৎ শিনখ্রে । মসিনা ঐখোয়গী ইরমদমদা চাবা কোন্ননবা ফৌথোক পুথোকপা ঙমদ্রে তাক্লিবা নৎত্রা ? লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংগী অঙম অথৌদগী হৌরগা অপিকপা ফাওবা মশা মশাগী মথৌ নিংথিনা তৌরিবরা ? কনাগুম্বা মীওই অমগী ফাইল টেবল অমদগী টেবল অমা লানবদা ময়াম্না হেন্না খঙনরবা করিগুম্বা খরদু য়াওদ্রবদি নুমিৎ কয়া, থা কয়া চংদবরা ? করিগুম্বা মফমদদি পিওননা ওফিসারদগী হেন্না চাউবসু থেংনৈ। অচৌ-অশাং অমদি লোয়শঙশিংগী মকোক থোংবশিংনা মখা তাবা মীওইশিংবু মরন্নাই অমদি ময়ূমগী থবক্তা শীজিন্নদুনা লোয়শঙশিং ফেল ওইরক্লিবা অসিসু নমথবিবগী খুদম নৎতবরা ? মসিবু করিনো ?

ঐখোয় অসি নমথবিরবা খুনাই অমদি ওইরে হায়বসিদি ইচুমদা চুম্বা মাল্লি। অদুনা ঐখোয়গী মীয়াম্না নমথবীরবা খুনাই অমগী মচৎ অমদি লিক্লমদা চৎখিদুনা মীবু থাজবা ঙমদবতা নত্তনা ইশানা ইশাবু থাজদবগী থাক অদু য়ৌরক্লবরা হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহং ওইরক্তবা নত্তে। লিশাং শিৎনা চৎথরক্লিবা মুক্লবা, শিংনবা, পেন্দবগী খোল্লাউ অমদি থৌদোক ৱাথোক কয়াগী খোঙজং, অচুম্বা ফংনবা হৌখিবা ঈহৌশিং মায় পাকখিবরা ? নমথবীবগী থৌওং ওইনা মীয়ামগী মতম, লন-থুম, পাঙ্গল লৌশিং মাঙখিবা নৎতরা ? ঐখোয় অসিবু কনানা নমথবীরিবনো ? নমথবীবগী লায়ওংদি উরে। লৈঙাকনরা নত্রগা লৈঙাক নৎতবনরা ? ৱাহং অসিগী পাউখুম ঐখোয় অমনা অমদা থংজিন্নদুনা ষণনা লৌ চাবদগী থোকখিবা, ষণজেনহাগী ৱারী চৎথন্দুনা লৈরে। ষণনা লৌ চাবদা লৌপুনা করিগী লৌ চারি হংই ষণদা। ষণনা হায় ষণজেনহানা ষণ শেন্দে। ষণজেনহানা হায় চাক থোংবনা চাক পীজদে । অদুনা চাক লাম্বদগী ষণ শেনবা ঙমদবনি। চাক থোংবনা করিগী চাক পীজদবনো হংলুবদা শীং চোৎপদগী চাক থোংবা য়াদে হায়। শীং নঙ করিগী চোৎলিবনো হংবদা নোং চুই, নোং নঙ করিগী চুই, হঙোই খোংই, হঙোই নঙ করিগী খোংই, ইকুম-ইথা য়ৌবগী খোংজবনি হায়বদুদা তাদুনা লৈরে। মসি ঐখোয় মশেলগী মরক্তা থাজনদবগী অমনা ঙাঙবা অমনা তানদবগী খুদম নৎতবরা ? মসিনা করম্না ওইরকখিবা ? মসিনা ওইরিবরা, মীয়ামগীদমক্তা থবক তৌগনি, মীয়ামগীদমক্তা হোৎনগনি হায়বা পান্দমদা মশীং থিঙমদ্রবা লূপ ময়াম থোরক্লিবসি ?

সী এ বি গী মতাংদসু, পান্দম মান্নরবসু তোঙান তোঙানবা লূপ অনি অমুক থোরক্লি। মসিগা চপ মান্নবা পান্দমদা থোরকখিবা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা কদাইদা করি তৌদুনা লৈখ্রবা অমসুং ভোটকী মতমদা থোরকপা মশীং থিঙমদ্রবা সোসল ৱার্করশিং অদুনা কদাইদা চৎখ্রবা ? পেন্দবদি মীয়াম্না ফাওই অদুবু ৱাহংদি হংবা ঙমদে । মরমদি ৱাহং হংলুরগা পাউখুমগী মহুৎ থেংনগদবা অৱাবা খুদোং চাদবা ময়ামদু খল্লুরগা। মসিসু ঐখোয় মশেল নমথনবগী থৌওং অমা নৎতবরা ? অসিগুম্বা থৌওং কয়া অসিনা ঐখোয়গী মীয়াম্না মনীং তম্না মশাগী অপাম্বা অনীংবা ফোঙদোকপা ঙমজদে অমসুং ঙমহন্দে। মসিনা ঐখোয়বু নমথবীরবা খুনাই অমা ওইহল্লক্তবরা ? থৌওংশিং অসিগী ময়েক লারবা খুদমদি লৈঙাক্লা ওইরবসু, লৈঙাক্লা নত্রবসু মীপূম খুদিংনা খঙনরবা, থেংনরবা অমসুং তান্নরবা, থৌদোক ৱাথোক অমসুং ৱাফমনি। হিংমীন্নরিবা ঐখোয় মশেল মরক্তা অমনা অমবু ইকায়খুম্নমনা লৈমিন্নবগী মহুৎতা কিহন খংহনবগী থবক চৎথদুনা ইফোং ফোংনা মীগী মরল মথুম মুনবগী থৌওং চৎথরক্লিবা অমসুং মীনুংসি য়াওদনা বোম তোপ, নোংমৈ কাপশিনবা খুনাই অসিগী চৎথরক্লিবা অমদি চৎথরিবা খোঙচৎ ওইরি। মসিনা তাকপদি ঐখোয়গী খুনাই অসি টাইটানিককুম লুপথরবা হি অমনি হায়বদা লানগদরা ? নোংমা কাংদনা থোরক্লিবা নুপী অঙাংদা শক্তি লৈবা, শেঞ্জাউ পাইবাশিংনা চৎথরিবা মীওৎ মীনৈ অসিনা তাক্তবরা। ঐখোয়গী খুনাই মতম অমগী অনেম-অৱাং, অচৌ-পীশক খেন্নবা লৈতবদু ঙসিদি শমুদ্রগা লাংখোংগা ওইরে হায়না ? লৌমীগী, শিন্মীগী, ঙামীগী, ফিশাবীগী, কৈথেল ফম্বীগী পূম্ন মক্লা থেংনরিবা, থেংন্দুনতা লাক্লিবা অৱাবা পূম্নমক কনানা তাবিরি, উবিরি অমদি তান্ননবা হোৎনবিরি ?

মতাং অসিদনি মীয়ামগীদমক্তনি হায়দুনা থোরকখিবা লূপশিং কদায়দা চৎখরে, করি তৌরি অমসুং করি য়েংদুনা লৈরি হায়না মীয়ম্না হংনরক্লিবা ৱাহং। হীরম কয়াদা, মায়কৈ কয়াদা পুৎথরবা ঐখোয়গী খুনাই অসিবু কাখৎপা ঙমখিগদরা অৱাংবা থাক্তা হায়বসিনা ওইরি মীয়ামগী খোল্লাউ অমদি ৱাহং। অদুবু পাঙ্গল য়াওদ্রবা চোকথদুনা লোইরবা ঐখোয়গী মীয়ামগী খোঞ্জেল কনানা তাবিরিবগে অমসুং তাবিনবা হোৎনরিবগে ? হান্নদগী হৌনা ঐখোয়না অইননা য়াবা অমসুং য়াদবা মীতোপকি পোৎলুম, রোহিংয়াগী ৱাথোক, দ্রগ, য়ু, ঐচ আই ভি-এইদস অমদি এ এফ এস পি এগী পোৎলুম অমদি চৈথেং পুদুনা, নংদুনা লৈরিঙৈ তালক অসিদা কুমজা ২০১৯ গী জান্যুৱারী ৮দা ইন্দিয়াগী লোক সভানা পাস তৌখিবা সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬না ময়া লাউনা কাথোক্তুনা অৱাং নোংপোক অমসুং মণিপুরবু য়োৎশিন্নবা হোৎনরক্লি। ঐখোয় অসুম্না লুপখিবা তারবরা ? ঙসিদি চোকথবনা হেনমনখিবনা ঐখোয়গী মীয়ামগী খোঞ্জেল তপ্না-তপ্না মাঙশিল্লকপগুম তৌরি অমসুং বলিগী হমেংগুম থাজবা মাঙলদুনা উপাই লৈতবগুম মায়কৈ খুদিং য়েংদুনা খল্লি মদুদি ঐখোয় অসুম্না লুপখিবা তারবরা ? ৱাহং কয়াশিং অসিগী পাউখুম মীয়াম্না, মীয়ামগীদমক কৎথোক্লবনি হায়বা মীওইশিং অমদি লূপশিংদা হংলি। অদুবু কৈদৌঙৈনো পাউখুম অসি ফঙগদবা ? ⏮

## মরোল থোকপা লাই




*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।*